মালেমগী অঙকপশিং

# দেঠ ভেল্লি নেসনেল পার্ক



দেঠ ভেল্লি নেসনেল পার্ক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনেল পার্ক অমনি। কালিফোর্নিয়া অমসুং নেভাদাগী বোর্দরদা সিয়েরা নেভাদাগী নোংপোক্তা লৈবা পার্ক অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী গ্রেট বেসিন হায়বা লমগং অমসুং মোহভী লৈকংলাশিংগী তাইনবা মফমশিং কল্লি। পার্ক অসিনা মোহভী লৈকংলাগী অৱাং-নোংচুপ থংবা কোর্নরবু প্রোটেক্ট তৌই অমসুং মসিদা মখল-মখা কয়াগী লৈকংলাগী ইনভাইরোনমেন্ট লৈ। মখোয়শিং অদুদি থুম অমদি অতৈ মিনরেলশিংগী লম্পাকশিং, সেন্দ দ্যুন্স, বেটলেন্দস, ভেলিজ, কেনয়ন্স অমসং চীংজাউশিংনি। মসি য়ু এসকী লৱার ষ্টেট ৪৮ দা খ্বাইদগী চাউবা নেসনেল পার্কনি অমসুং মসি ইন্টরনেসনেল বাইওস্ফিয়র রিজার্ভ অমনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পার্ক অসিগী চাদা ৯৫ দি ৱাইন্দরনেস এরিয়ানি হায়না লৌনৈ। মসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খ্বাইদগী কংবা অমসুং শাবা নেসনেল পার্কনি। ৱেষ্টর্ন হেমিস্ফিয়রগী অনীশুবা লোৱেষ্ট পোইন্ট অদু বেদৱাটর বেসিনদা লৈ অমসুং সি লেভেলগী মখাদা ফুট ২৮২ (মিটর ৮৬) নি। পার্ক অসিদা শাথিরবা লৈকংলাগী ইনভাইরোনমেন্ট অসিদা হৈনরবা পান্থী অমসুং শাগী স্পেসিজ কয়ামুক লৈ। খুদম খরগী মনুংদা ক্রিমেটি মোংশোং, অচৌবা মচী পানবা য়াও, কোইওর্টি অমসুং দেঠ ভেল্লি পপফিস পনবা য়াই। অকোনবগী ঙা মখল অসি মতম অমদা মফম অসিদা ঈশিং মরাং কায়না ফংলিঙৈ মতমদগী হিংহৌবা য়াম্না তাংবা মখলগী ঙানি।

অমেরিকান য়েলহৌমী গ্রুপ কয়া মফম অসিদা খৃষ্টগী মমাঙ চহী ৭০০০ দগী পরিং নাইনা খুন্দাদুনা লাকখি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা মফম অসিদা খুন্দারক্লিবা কাঙলুপতি তিম্বীসানি। মখোয়না তম্পাক্কী লৈকংলাগী নিংথম কেম্পশিং অমসুং চীংজাউগী কালেনগী গ্রাউন্দশিংগী মরক্তা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা লৈরম্মী। কুমজা ১৮৪৯ দা কালিফোর্নিয়াগী গোল্ড ফিল্ডশিংগী অশম্বা লম্বী থিরকপা য়ুরোপিয়ন-অমেরিকান কাঙবু অমা ভেল্লি অসিদা লৈশিনখি। মখোয়গী মরক্তগী সুপ্ন গী গ্রুপ অমখক ভেল্লি অসিদা শাথিবা ওইরবসু মখোয়না মফম অসিবু 'দেড ভেল্লি' হায়বা মীং অসি থোনখি।

১৯শুবা চহীচা অমসুং কুনশুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তা গোল্ড (সনা) অমসুং সিলভর (লুপা) তান্নবা অতেনবা মতমগী বূম টাউন কয়া থোক্লকখি। মতম শাংনা শেন্দোং পীবা মফম অসিদগী তানবা ফংবা ওরদি বোরেক্সনি। মাইনরশিংনা বোরেক্স ওরশিং অদু ভেল্লি অসিদগী লোলা (ম্যুল) কুনগী টিমশিং শেমদুনা হোন্দোক্লম্মী। মমৈথংদা ভেল্লি অসিগী মরমদা লাইরিক কয়া ইনরকখি, রেদিও প্রোগ্রামশিং, টেলিভিজন সেরিজ অমসুং সিনেমাশিং পুথোরকখি। কুমজা ১৯২০ গী মতুং চহী খরদুদা টুরিজম চাউখৎহনখি, ষ্টোপ পাইপ ৱেলশিং অমসুং ফর্নেস ক্রীককী অকোয়বদা রিজোর্টশিং শেমগৎখি। কুমজা ১৯৩৩ দা দেঠ ভেলিবু নেসনেল মোন্যুমেন্ট ওইনা লাউথোকখি অমসুং পার্ক অসি শিংথানিংঙাই ওইনা চাউথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯৪ দা য়ু এসকী নেসনেল পার্ক অমা ওইরকখি।

এরিয়া অসিগী নেচরেল ইনভাইরোনমেন্ট মরু ওইনা জিওলোজিনা শেমজখিবনি। ভেল্লি অসিমক থাঙ্গৈশেংবদি গ্রেভন অমনি। খ্বাইদগী লিরবা রোকশিং অদু অহোংবা কয়া লাকখ্রবা ঙাক্তনি অমসুং য়ামদ্রবদা চহী বিলিয়ন ১.৭ শুরবনি হায়না লৌনৈ।

কুমজা ২০১৩ দা দেঠ ভেল্লি নেসনেল পার্কপু ইন্টরনেসনেল দার্ক-স্কাই এসোসিএসননা দার্ক স্কাই পার্ক অমনি হায়না লাউথোকখি। পার্ক অসিদা মরু ওইবা ভেল্লি অনী লৈ, মখোয়দুদি দেঠ ভেল্লি অমসুং পেনামিন্ট ভেল্লিনি। ভেল্লি অসিমক হৌখিবা চহী মিলিয়ন খরা অসিদা শেমখিবনি অমসুং অনীমক অৱাংদগী খা পাংনা শনখিবা অদুগা খাদগী অৱাং পাংখিবা চীংশাং নাপোমশিংনা কোইশিল্লি।

সি লেভেলগী মখাদা ফুট ২৭৯ লুথনা দেঠ ভেল্লিগী খোংনুংদা লৈবা বেদৱাটর বেসিন অসি ৱেষ্টর্ন হেমিস্ফিয়ারদা অনীশুবা স্কাইদগী নেম্বা দিপ্রেসননি। লো রিলিফ ওইবা অমসুং লৈমায়দা ঈশিং ফংবগী চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না দেঠ ভেল্লি অসি নোর্থ অমেরিকাগী খ্বাইদগী শাবা অমসুং কংবা মফমনি। দেঠ ভেল্লিগী গ্রীনলেন্দ রাঞ্চতা কুমজা ১৯১৩ গী জুলাই ১০ গী নুংথিলদা সেলসিয়স দিগ্রী ৫৬.৭ ফাওবা ৱাংবা টেম্পরেচর রেকোর্দ তৌখি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - নেলসন মন্দেলা -



নেলসন মন্দেলা (১৯১৮-২০১৩) অসি সাউথ অফ্রিকাগী মীগী মরক্তা কাঙলুপ অমসুং কুচু নাইবা অপারথাইট রেজিমগী মায়োক্তা কন্না লেপখিবগীদমক্তা চহী ২০ জেলদা লৈখিবা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমনি। মহাক কুমজা ১৯৯০ দা জেলদগী থাদোকখি অমসুং তুংদা কুমজা ১৯৯৪ দা মহাকপু দেমোক্রেটিক সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা লীদর ওইনা মীয়াম্না (মীখলদা) খনখি। সাউথ অফ্রিকাগী কাঙলুপ নাইবগী (মরু ওইনা অঙৌবা মীশিংনা অমুবশিংবু হন্থনা য়েংবগী) চৎনবী/থৌওং মুথৎপদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগীদমক্তা কুমজা ১৯৯৩ দা মহাকপু এফ দব্লিয়ু ক্লার্ককা লোয়ননা নোবেল প্রাইজ পীখি। মহাকপু দেমোক্রেটিক সাউথ অফ্রিকাগী মপানি হায়না লৌনৈ অমসুং হান্না অপারথাইটকী চৎনবীনা মচেং তাহল্লুরবা লৈবাক অমবু নৌহৌননা নেসন অমা ওইনা পুলহনবা ঙম্বগীদমক্তা মালেম পুম্বনা থাগৎনখি। নেসলন মন্দেলা অসি ঙাকপীবদগী অচৌবা ৱাখল চেনবা অমসুং অনৌবা 'চুমথাংগী' লৈবাক (নেসন) অমা শেম্বগীদমক্তা কুনশুবা অমসুং কুনমাইথোইশুবা চহীচাগী খ্বাইদগী ঈকায় খুম্নবা পোলিটিকেল লীদরশিংগী মনুংদা অমনি। নেলসন মন্দেলানা অসুম্না হায়রম্মী, "ঐহাক্না থৌনা লৈবা হায়বসি অকিবা লৈতবদু নত্তে, তৌইগুম্বসুং অকিববু মায়থীবা পীবা ঙম্বদুদি হায়বসি খঙলকখি। থৌনা ফবা মীশক অমা হায়বসি অকিবা ফাওদবা মীবু নত্তে, তৌইগুম্বসুং অকিবদুবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা মীশক অদুনি।"

নেলসন মন্দেলা কুমজা ১৯১৮ দা সাউথ অফ্রিকাগী ট্রান্সকৈদা পোকখি। মহাক টেম্বু ট্রাইবকী লোকেল ট্রাইবেল লীদর অমগী মচানুপা ওইরম্মী। অঙাং ওইরিঙৈদা (নহা ওইরিঙৈদা) নেলসননা মহাক্কী লোকেল ট্রাইবকী এক্টিভিটিশিং অমসুং ইনিসিয়েসনগী থৌরমশিংদা শরুক য়ারম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্কী মপাগা মহাক্কা মান্নদবদি মহাক্তি মহৈ-মশিন মপুং ফানা তমখি। মহাক য়ুনিভর্সিটি কোলেজ ওফ ফোর্ট হেয়র অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱিঠৱাটরসরান্দদা তমখি। নেলসন অফবা মহৈরোয় অমা ওইরম্মী অমসুং কুমজা ১৯৪২ দা লো দিগ্রী অমা ফংদুনা ক্বালিফাইদ ওইখি।

য়ুনিভর্সিটিদা তম্লিঙৈ মনুংদা সাউথ অফ্রিকাগী অঙৌবা মীশিং নত্তবশিং (অমুবশিং) না মায়োক্লরিবা কাঙলুপ অমসুং কুচু নাইবগী চৎনবী অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংদবগী ফীভমদু খঙবা ঙমখি। কুমজা ১৯৪৩ দা মহাক্না এ এন সি (অফ্রিকান নেসনেল কোংগ্রেস) দা য়াওনবা অমসুং অপারথাইটকী মায়োক্তা হৌরিবা ঈহৌদা এক্টিভ ওইনা শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখি। ক্বালিফাইদ ওইবা উকিল খরখক্কী মনুংদা অমা ওইনা নেলসন মন্দেলাবু মীয়াম্না য়াম্না তান্নরম্মী। মহাক্কী ৱাখলনবু ময়াম্না খঙনবগা লোয়ননা এ এন সিগী রেঙ্কশিংদা মহাক্কী পোজিসন ৱাংখৎলকখি। কুমজা ১৯৫৬ নেলসন মন্দেলা অমসুং এ এন সিগী অতৈ মেম্বরশিংবু ত্রিজনগী চার্জদা ফারম্মী। অসুম তৌদুনা মহাক তত্তনা ফারম্মী অমসুং জেলদা থম্লম্মী।

হকশেল কাঙলোন :

# ট্যুবরকুলোসিস : কমদৌনা ঙাকথোক্কদগে



ট্যুবরকুলোসিস, অশম্বীদা টি বি (ট্যুবরকল বেসিলস) হায়বা লায়না অসি য়াম্না কম্মন ওইবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অনাবা মখল অমনি। মাইক্রোবেক্টেরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মখলশিং, মরু ওইনা মাইক্রোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরকুলোসিসনা ওইহল্লকপা অনাবা অসি য়াম্না লৌনগনবা লায়নানি।

ট্যুবরকুলোসিসনা অয়াম্বা মতমদা থবোম্বী (লংস) তা এটেক্ট তৌই অদুবু হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংদসু অদুমক শোকহনবা য়াওই। কনাগুম্বা অনাবা মীওই অমনা লোক খুবা নৎত্রগা হাকথি খনবদা য়াওরকপা মহীক্না নুংশিৎতা তিনখ্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা অমুক লায়না অসি শন্দোকই।

মতম চানা নিংথিনা লায়েংহৌদ্রবদি মী শিবা য়াবা অনাবা অসিগী মরু ওইবা লাইওংশিংদি মতম শাংনা লোক খুবা, লাইহৌ, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা অমসুং লোক শিৎপদা ঈ য়াওরকপা অসিনচিংবনি। অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংদা টি বি নাবা তারবদি মখল কয়াগী লাইওং উৎথোরকই।

টি বি লায়না খঙদোক্লবগীদমক রেদিওলোজি, মরু ওইনা থবাক্কী এক্স-রে লৌবা মথৌ তাই। লোক তিন অমদি হকচাংদগী থোরকপা অতৈ মহী মনাইশিং মাইক্রোস্কোপিক ইগজামিনেশন তৌবা অমসুং মাইক্রোবাইওলোজিকেল কলচর তৌবসু তঙাইফদে। লেটেন্ট টি বি দাইঅগনোস তৌনবগীদমক ট্যুবরকুলিন

স্কিন টেষ্ট (টি এস টি) অমসুং ঈ-টেষ্ট তৌনবা হোৎনগদবনি।

লায়না অসি লায়েংবদা মতম শাংনা এন্টিবাইওটিক মখল কয়া পীজবা মথৌ তাই। মল্টিপল দ্রগ রেজিষ্টেন্স ট্যুবরকুলোসিস (এম দি আর - টি বি) নারবা মীওইশিংদদি এন্টিবাইওটিক চঙবা ঙমদবা মরম্না লায়েংবদা খুদোংচাদবা থোকই।

মালেমগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমদি লায়না অসিগী চৈথেং ফংখ্রে অমসুং চহী খুদিংগী অনৌবা মীওই চাদা অমা টি বি নাবা হেনগৎলি হায়রি। কুমজা ২০০৭ তা মালেমগী ওইনা টি বি নাবা অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ১৩.৭ য়ৌখি অমসুং কুমজা ২০১০ দনা অনৌবা কেস মিলিয়ন ৮.৮ হেনগৎলকখি। মদুগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ১.৫ শিখি।





মালেমগী ওইনা টি বিগী কেস মশিং হন্থরক্লবসু চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদদি অদুমক খুদোংথিনিঙাই ওইরি। এসিয়া অমদি অফ্রিকাগী লৈবাক অয়াম্বদা মীওই চাদা ৮০ রোম ট্যুবরকুলিন টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনদি মীওই চাদা ৫ রোমতমক পোজিটিভ ওই। চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা লৈবাকশিংদা ঐচ আই ভি অমসুং এইদসনা মরম ওইরদুনা টি বি নাবগী চাং ৱাংবনি হায়রি।

টি বিগী কেস অয়াম্বা থবোম্বীগী টি বিনি। মসিবু পলমোনরি টি বি কৌই। অতৈ অতোপ্পা কয়াৎশিংদা নারগনা এক্সত্রাপলমোনরি টি বি কৌই। পীক্লিবা অঙাং অমসুং মশা ঙাকথোকচনবা ইম্যুন সিষ্টম মপাঙ্গল শোন্থরক্লবা মীওইশিংদা এক্সত্রাপলমোনরি টি বি নাবা থেংনৈ। ঐচ আই ভি/এইদসকা শাগোন্নদুনা হিংলিবশিংগী ওইনদি মীওই চাদা ৫০ হেনবদা কেস অসি থেংনৈ।

ইশম শম্না হায়রবদা ইম্যুন সিষ্টম শোন্থরক্লবা মীওই খুদিংমক টি বি নারকপা য়াই। মরম অদুনা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহনবা হায়বসিনা লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী

অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈনি। মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা অতৈ পাম্বৈশিংগী মনুংদা চাং নাইনা স্ক্রিনিং তৌবা অমসুং অশম্বীদা বি সি জি হায়না খঙনবা বেসিলস কেলমেট গ্যুরিন ভেক্সিন কাপথোকহৌবা হায়বসিসু তঙাইফদবা অমনি।

করিগুম্বদা টি বি নাবা থোক্লবদি লায়েংদুনা চাং নাইনা অমসুং মপুং ফানা হীদাক চাবা নত্তনা অতোপ্পা ফহন্নবগী লম্বী লৈতে। মসিগা লোয়ন লোয়ননা নেচরেল এন্টিবাইওটিকনি হায়না লৌনরিবা চনম মরাং কায়না চাগদবনি। ভিটামিন এ, ঈ, দি, সি অমদি বি কমপ্লেক্স লোয়ননা কেলসিয়ম, ফোসফরস, আইরন, জিঙ্ক অমসুং মেঙ্গনিজনচিংবা মিনরেলশিং অমদি প্রোটিনসু মরাঙ কায়না চাগদবনি।







Title: A Cute Puppy
By: Sweety Thiyam
Class: III Sec: B Roll No. 89
School: Regular English High School



Title: House
By: Katy Thoudam
Class: K.G. Sec: A Roll No.18
School: Regular English High School



Title: Barbie
By: Nganthoi Thoudam
Class: IV Sec: Roll No. 11
School: St. Peter's High School



Title: Tree
By: Thoudam Nganba
Class: Nursery Sec: Roll No. 11
School: St. Peter's High School



Title: Rose
By: Arambam Ashana Devi
Class: II Sec: A Roll No. 38
School: Standard Robarth Higher Secondary School



Title: My House
By: Moirangthem Mangalleiba Meitei
Class: II Sec: Roll No. 8
School: The Base Academy Khangabok



Title: Scenery
By: Mayanglambam Suman Chanu
Class: III Sec: A (Sangai) Roll No. 4
School: Paramount Paradise Academy



Title: Hello Kettys
By: Sylvia Devi
Class: II Sec: C Roll No. 40
School: Standard Robarth Higher Secondary School